ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯇ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওগষ্ট ২৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৫০শুবা মশীং

# পোক্সো অমসুং রেপ কেস

## কৈদৌরগা মশীং য়ামখৎহল্লোইদগে

'রেপ' হায়রিবা ইংলিসকী ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক করিনো? ৱাহৈসিমক করিনো অমসুং ৱাহৈসিনা ফোঙদোক্লিবসি করিনো হায়বসি দিক্সনরিদসু য়াওই। অদুগা ৱাহৈসিগী মতাংদা লোগী ওইবা -লিগেল প্রোভিজনশিংসু লৈ। মসিদা ৱাহৈসি করিনো হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা ওফেন্স অসিগী পনিশমেন্ট প্রোভিজনশিংসু য়াওই। অদুবু লৈবাকসিদা নুপীদা চথবা ওফেন্সশিং হায়বদি 'ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন' দগী রেপ হায়রিবা ওফেন্স অসি লৌথোরক্লগা মসিদগী অমুক মশাগী চহী ১৮ শুদ্রিবা নুপীমচাশিংগীনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো) হায়বা অনৌবা এক্ট অমমুক শেমদুনা চৎনরক্লিবনি। হান্নদগী হৌনা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেনগী অমসুং রেপ খক্তগী পেনাল প্রোভিজনশিং লৈরকপগী মথক্তা কুমজা ২০১২দগী পোক্সো এক্ট শেমদুনা চৎনহল্লক্লিবসি নুপী ওইবীশিংগী ইকায়খুম্নবা নমদুনা মাঙহনবিবা য়াওনা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেনগী ওফেন্স মশীং পুবা থাংবা ঙমদনা অমসুং মশীং লাকঙমদনা থোকচিল্লকপদগীনি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংগীনা খরগা হেন্না কনশিনবা পেনাল প্রোভিজনশিং হাপচিন্দুনা হেন্না কনশিনহল্লকপনি। লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসিগী পান্দমদি অসিগুম্বা রেপ অমসুং পোক্সো ওফেন্সশিং অসি থোকহল্লক্তনবগীনি। অদুগা থবকশিং অসিগী মথক্তা লৈবাকসিগী ষ্টেট পূম্নমক্তা নুপী অঙাংগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিংগী কেস করম-করম্বা ষ্টেটশিংদা কয়াম লৈবগে হায়বদু খঙদোক্লগা কেসশিং অদুগী ৱায়েলগী থবক থুজিনহন্নবগীদমক 'স্পেসল কোর্ট' শিংগী মথৌ তাবা মশীং লেপথোক্তুনা হাংদোক্লিবনি। কেসশিংগী ৱায়েল চথরক্লিবনি।

পীকখ্রবা মণিপুরগীসু অসিগুম্বা পোক্সো এক্টকী মখাদা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েল চথনবা স্পেসল কোর্ট অসিগী শরুক থুংবিরক্তুনা হৌজিক উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা কেসশিংগী ৱায়েল চথরক্লিবনি। মণিপুরদসু পোক্সো এক্টকী কেসশিংগী ৱায়েল চথনবগী অনৌবা ৱায়েলশঙ লিংলক্লিবসি অসিগুম্বা মখলগী ওফেন্স অমসুং ক্রাইমশিং থোক্লে হায়বনি। অখন্নবা কোর্ট অসি পোক্সো এক্টকী মখাদা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েল চথবগী অয়াবা পীরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী সেসন্স কোর্টশিং লৈরিবশিং অসিগী মথক্তনি। অদুবু রেপ অমসুং পোক্সো এক্টকী মখাদা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েলগী থবক থুজিলহন্নবা, অঙনবা মতমদা অসিগুম্বা কেসশিং অসি দিস্পোজ তৌননবা থবকশিং লৌখৎলক্লগসু হায়রিবা ওফেন্সশিং অসি ময়েং তাথরকপা, মশীং হন্থরকপদি লৈতে। নোংম-নোংমগী থোকপগী চাং সুম হেঙ্গৎলক্লিবনি। খুন্নাইসিদা হোংলক্লিবা অওনবশিং, পীক্লিবা নুপীমচাশিংগীনা মমা মপা অমসুং গার্দিয়ানশিংনা চেকশিনবীবা/শেন্নবিবা ৱাৎপা অমসুং চহী মপূং ফারবা নুপীশিংগীসু মসিমক্কী অহোবা লৈবা য়াওনা চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ-চাকচা অমসুং মফম মতম্নসু অচৌবা মতেং ওইবসু য়াওরি। মরমদি ময়াম লৈনি। ওফেন্স কম্মিট তৌগদবা/তৌরিবা ওফেন্দর অদুদা ক্রিমিনেলগী ওইবা ৱাখল্লোন চেনবদুদি মাঙজৌননা মপান্থোংদা লোইনমক চপ চানা উবা ফংদবসু য়াই। অদুবু পূম্নমক শুপচিন্না য়েংলবদা অসিগুম্বা তমথীরবা ক্রাইম/ওফেন্সশিং অসি মতৌ করম্না থোকহল্লোইদগে, থোরক্লবসু মশীং হন্থহনগদগে হায়বসিদা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক কোক চুংশিন্নদুনা থবক পায়খৎপা চুন্নে। হান্নদগী পায়খৎতে হায়বা নত্তে। পায়খৎলি অদুবু খরগা হেন্না কনশিনহনসি হায়বনি। লৌখৎপা য়াবা থবকশিংগী মনুংদগীসু 'আর্লি দিস্পোজেল' নসু অচৌবা মতেং ওইগনি হায়বগী ৱানি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮

১) **"খানিংপা হোঙনতে মিকোনপা হোঙনতে। খানিং মিকোল আমা তৈপাতি য়িয়ুবা চিঙখোঙ পোইরৈতোন মখুরোনপু কোনপানে।"** ৱাহৈ পরেং অনীসি করম্বা অরিবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **"মণিপুরী রাস"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) মণিপুর মপানগী অইবী অমগী লাইরিকনি **"প্রলয়গী খূৎশোক্তা"** হায়বা লাইরিক অসি। লাইরিক অসিগী অইবীসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"নিংশিংবগী মীহুৎথোঙদা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"...মতম অসিদা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীমক কাছারদা লৈরি। ইংরেজগী মায়কৈদগী কেপ্তেন গ্রান্টনা ঔৱাশিংবু তাম্থোক্লবা মচিন মনাও অনীগী মতেং নীরবদা নরসিংনা ময়াম্বুং গম্ভীর সিংহগা তান্নরগা ঔৱাশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা ঔৱাশিংবু মায়থীবা পীখিবগী মতাং অসিদগী হৌরদুনা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীনা মণিপুরদগী ঔৱাশিং তাম্থোকখি।"** ইতিহাসকী মতাং অসি য়াওরিবা লাইরিক মচা অদু করি লাইরিকনো অমদি কনানা সম্পাদন তৌবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# শেল্লেপ মাঙলবসু মতমসিগী অইবশিং

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

ইরমদমসিগী অইবশিংগী ফীভমশিংসি য়েংলুরগা অমসুং মখোয়গী ৱারীশিং তারুরগা পূক্লিংসি হায়নীংঙাই লৈতনা ইকায়-নুংশি য়ান্নরকই অমসুং ইরমদমসিদা লাইরিক ফোঙবগী চেবাউশিং লাক্লবসু পূম্নমকসি খল্লুরগা চৎনীংবা ফাওবা ফাওরক্তবা নুমিৎশিংসু য়াওরকই। তশেংবদি থৌদৌসিগীদমক ইতোমতনা ইকায়ফম্বুদি থোক্তবা জাৎনি। থৌদৌসি ইরমদমসিগী ইরৈচা ঐখোয় পূম্নমক্কী হৈনবীনি। লাইরিক পাবগী হেবীট লৈতবা লমদমসিদা করি অমুক হায়রুগনি? মীনা লেম্না পীবিরক্লবা ফাওবদা ঐখোয় শ্বাইসিদদি পাগন্দবগী চাংসি অসুক্কী মতিক ৱাংই। ফীভমসিদা শেল চঙনা লাইরিক ফোঙলুবা কাঙবুশিং হৌজিক ফাওবদদি পামজবা-ঙাওজবশিং তারগা অয়াম্বনা তোক্লরি। মসিমক্তংদি থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতে। ইতোমতা খল্লি, 'অমুক্তং অচঙমল তঙ্খায়মুক তাথোক্লগা হোঙনা য়োম্থোকপগী চৎনবী অমক্তং ঙাউত্রং-ফৈদ্রং লমদমসিদা হৌদোকসিরা, ফীভমসি ওইরদি হায়গুম্লদনা ইরৈপাকসিগী ইরৈচাশিংসি লাইরিকতুমদি শোয়দনমক্কী লৈনরকপসু ময়ায়।' তশেংবমকসুনি, পুন্সিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা নীংশা-শ্বরসিমক্তং হোঞ্জন্নবা হোৎনবদা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চেঙয়েন (সুপরফাইন) কৌতা অমখক শোয়দনা ফংনবা খনবদা চরম কংবা মখৈ খঞ্জরিবা ইরমদমসিগী ইচিন-ইনাওশিংসিদবু করম্না লাইরিক লৈয়ু, পাবীয়ু-নৈনবীয়ু হায়রুগদৌরিবনো? হায়রুবদা পক্লগদবা খোঙফম ওইগনি থাজদে। তৌবদি ঐখোয়গী লমদমসি অহোঙববুদি য়াম্না পাম্নবনি। মমল তঙ্খায় অমা তাথৈ-কা হায়রবদি ৱাখল অমদি লাক্লবসু ময়ারি। মসিনা ঐগী ৱাখল হায়দু তারে। ফোঙদোক্লিংলিবসিদি, ইরমদমসিগী ইরৈচাশিংনা লাইরিক লৈগন্দবা অমসুং পাগন্দবগী হৈনবীসি খজিক্তং থাদোকমিন্নসি হায়বা ৱাফমসিনি।

নোংমা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি এৱার্দ ফংখিবা অইবা অমনা মাগী লাইরিক্কী প্রাইজ লৌবা নুমিৎতুদা অইবা মশানা ফোঙদোকখিবশিংদু পুন্সিগী ওইনা কাউবা খক ঙমগদবা মান্দে।... "ঐগী লাইরিকসি হেক ফোঙবদগী ঙসি ফাওবদা থোইদোক্লা পঙয়োন য়োঞ্জদ্রি। লাইরিকপুদি য়োনখিদ্রবসু ফীভম অমদগী ইঙ্খোলদি মচেৎ অমা য়োম্থোকচখ্রে। মণিপুরদা লাইরিক লৈবীনবা মী লৈতে, তাঙই, থিবদা ৱাই। অদুবু ইঙ্খোল লৈবীনবা মীগী মশীংদি খক ৱাত্তে, হোঙই, কৃক-কৃক ইন্নে। পাউচে অমদা হেক হাপ্লুবদা নোং ঙান্দে, হেক্তা টেলিফোন তৌনরকই"...। অসুম্না, অসুক থম্মোয় শোকপা ৱাসিবু, হায়গুম্লদনা মণিপুরগী মীয়ামসিবু কমদৌরি জাৎনো খঙদ্রে। খুদক্তুদা ঙাইহাক্তংদু মথং-মথং খঞ্জিল্লুবদা লাইরিক ফোঙবা থৌরমদুগী নুংঙাইরবা মতাংশিংদু ঙাইহাক্তি পুমকাউ হেক কাউথোক্লুই। মঙলান্দগী মঙফাওনরকপগুম ৱাখল লাকপা মতমদা ইয়াম্বদুগী অৱা-নুংঙাইগী পুন্সি-ৱারীশিংদু লীবা লোইরম্লে। লমদমসিগী অইবশিংসি খল্লুরবদি নুংশিবা জাৎনি। মতাংসিদনি দাঃ মোইরাংথেম প্রিয়োবর্ট অমদি মাগী দ্রামাগী লাইরিক 'কুম কাং কুম কবি চঙ' হায়বসি নীংশিংলুরিবসি। ওজানা লমদমসিগী লৈতবনা মরৈ থারবা, নংবনা নঙ্গল পায়রবা অইবা কয়াগী পুন্সি ৱারীবু ষ্টেজথক্তা ঙাম্থোইহনখি। তেংবাঙবা হৈনদ্রবা, লেমজবতনা মশরুক ওইরিবা ইরমদমসিগী নুংশিরবা অয়েংলোয় খিবিক্তা নমদুনা তিকি হোৎতুনা নোকহল্লগা কাথোক্লিবা য়ানুংশিংদুদা লমদমসিগী অইবশিংগী পুন্সি ৱারীগী মহাউশিং নম-নমদুনা ইনশিনবীখি। হৌজিকসুনি লমদমসিগী অইবশিংগী পুন্সিগী মহাউ হোংবা খক লৈত্রি। লমদমসিগী অইবশিংনা হিংলিবা ঙসিসু কাগনি হায়বগীসু হরাওরুদবা, তাগনি হায়বগীসু কিরুদবা পোফমদুমক্তদনি। মণিপুরগী অইবশিং তশেংনা কখোকপগী মতিক-মঙমশিংতনা মশা পূম্বা য়োম্মী হায়বসি হায়মনবা খক থোক্লোই। মীরৈবাক্কীগুম মতিক চানা অইমলমক ফংদ্রবসু ইরৈবাক্কীদমক অফবা লাইরিক মশীংদি ঙসি ফাওবদা খক ৱাহদ্রি। শুপ্নতগী অইবশিংগী ৱাখল হায়ববু ইজরিবা খরসিদং নীংথিনা পাবীয়ু, নৈনবীয়ু, মহাউ লৌবীয়ু সিতনি। ৱাখলসিতনা লাইনীং ওইরিবা লমদমসিগী অইবশিং ঙসিসু মখোয়গী ৱাখল খক হোংবা লৈত্রি। লৈবাক মীয়াম্না লমদমসিগী অইবশিংসিবু ঐখোয়গী করম্বা মখলগী লননি হায়না লৌবীরিবগে খঙনীংই।

ইরমদমসিগী অইবশিং মপাল্লমগী অইবশিংগা চাংদম্নবদা থোইদোক্লা নোপ্পী হায়না লৌবা য়াদে। লমদমসিদা অইবশিংগীদমক মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা মীনুংশিগী তেংবাঙগী ৱাখলদগী খজিক লাপথোক্লরবসু মণিপুরগী অইবশিং ঙাইহাক লৈতনা মীংচৎ লৈর-লৈরবা অৱাংবা থাক্কী অইবশিংগী মনাশিং ফংনরক্লি। হীরমশোমদা মণিপুরগী অইবশিং খক নোপথদে। থোইদোক হেন্দোক্লা শেল-থুমগী ফীভমদা মরন্নাইগী ওইবা অৱাবশিং মায়োক্লজবনা অমনি। ইরৈবাক্কীদমক ইনীংবগী ৱাখল্লোনদি খক হন্থবা তৌদে। মতম চঙনা ইরকপা লাইরিকশিং ফোঙনবা হোৎনবদা শেল-থুমগী ওইবা অৱা-পোৎলুমশিং অইবশিংগী কোকথক্তা নাম্থনরি। কনাগুম্বনা মশাগী লৈজবা লন-থুমশিং ফাওবা কায়থোক্তুনা লাইরিক নম্বসু য়াওনদবা নৎত্রি। অসুম্না খুন্নাইসিদা খুদোল তমজনবগীদমক শেল্লেপ মাঙবা থিদনা, মাঙলবসু মাঙনা মরাইবক্কীনি খল্লিবা অইবশিংগী ৱাখল্লোনবু ঐখোয়গী খুন্নাইসিনা শকখঙবীদ্রি। ইরোলগীদমক খুন্নাইসিগী কখোকপা য়াবা কখোক্লবা মখোয়গীদমক ঙসি ঐখোয়না খুন্নাইসিদা থাবীরিবা মখোয়গী ফিদাশিংসি খজিক্তং নেম্মন্দবরা? ইশাগীনিবু হায়রবদি ইশানা হেক্তা নমথজবা, হন্থনবা, মমল কৌখৎহনবগী থৌদৌসি ঐখোয় খজিক-খরাক থাদোকপা তম্বদি ফরবনি। ইরমদমগী মী শেমগৎনীংদবা মীরমদমগী মীগী মতুং খক্তা ইন্নীংবগী থৌদৌসি ঐখোয় থাদোক্লসি। মসিনা করি ওইরক্লি লমদমসিদা? মসিননি ঐখোয়গী ইরমদমগী ইরৈচা ঐখোয়না ঐখোয়গী ইরমদমসিদা হীরম কয়ামুক্তা খক মকোক থংবা হায়বদু ওইবা ঙমজদ্রিবসি।

অইবশিংসিগী ৱাখলদি অমরোমদা মমল নাইদে। অইবা অমগী মতিংগী খলবু কৈদৌঙৈদা খক কনাগুম্বনা ওন্নবা থৌরাং তৌবা ওইথোক্লোই। পাক্লবা ঈপাকথক্তা মনীং তম্না শান্নরিবা মওং-মরীল লেপ্পা ঙমদ্রবা ঈথক-ঈপোমশিংদুগী মতৌশিংগা, অইবশিংগী থম্মোয়গী কাচিন্দা চেৎনা লোৎশিন্দুনা থল্লিবা ৱাখলগী চাংজৌশিংদুগা অনীমকসি অমত্তনি হায়নরিবনি। অইবশিংগী ৱাখলগী ঈপাক্তি তশেংনমক মপান নাইদ্রবা অমমক্লি হায়বদা হায়মনবা খক থোক্লোই। মখোয়গী থম্মোয়দা মীনুংশিগী ঈচেলতনা পাথোক্তুনা চেল্লি। নীংতম্নীংবগী কল্লবা ঈহুলতনা কনবদা মপা লৈত্রবা কয়াবুসু হুমদুনা অইবশিংগী ৱাখল-শাফুম্না ইরায় লায়না পঙ্খং য়ৌদ্রিফাওবা থিনবীবা ঙম্মী। শিনাইদবা অইবশিংগী হকচাংনি। থৱায়না পোম্থা ওইবতনা খক চাংদম্নবা য়ারোই, থৱায় লিশীং-লিশীংবুসু মীৎনা কুপ্পদা পোম্থা ওইহনবা ঙম্লিবা অইবশিংগী থৌরবা খোর্জেংগী ময়ানি। পূম্নমক্লা অইবশিংবু খক চাংদম্নবা ঙম্লোই। কয়াদা মতিক লৈখ্রবা অইবা অমগী খূত্থানো, অহৈবা অশৈবা অমগী মথম্মোয়গী ঈহুলতনা য়োল্লগা ইরকপা শুপ্নগী কাইন-পাউজেলগী চেজেৎ মচেৎ অমখক্তনসু তনৌরবী নুজা কয়ানা পুন্সিগী অরোইবা য়াতাফম মোঙফমগী লম্বী থিনরি। নীংথিনা শেম-শারবা চান্নমক্কীসু চুম্লবা ইমালৈবাকপু নুংশিবগী ঈনোৎ কল্লবা ৱাহৈ কয়ামরুম্না মখূত্তা খূৎলায় পায়দুনা য়েক্ল-মায়কৈ তম, লানফমগীদমক শেম-শারিবা লান্মীশিংদা লানফমদগী মায় লৈদুনা অমুক হন্না চেল্লকহন্নীংদনা মমালৈবাক্কীদমক মশাগী ঈখেংশিং কখোকহল্লি। কল্লবা অইবশিংগী খোর্জেংগী পাঙ্গলনি। ঙম্লোই কনানা লম্বানবা ঙসিগী খুন্নাইদা অইবশিংবু খক।

মতমসিগী অইবনা মতমসিগী ৱারীবু পুৱারীগী ৱারী লিশাংলক্তবা লীক্লগুম অমমমতা ওইনা লৈচন শেমদুনা, লেংশিন্দুনা থম্বীরি। ঙসিগী থৌদোক-ৱাথোক কয়ামরুম্সু ঙসিগী অইবশিংনা লিশাং শিৎনা লৈরাং পরেংগুম লেংদুনা তুংগীদমক লৌশিন্দুনা থমজিনবীরি। মদুনা নোংমা নৎত্রগা নোংমা শোয়দনা তুংগী মীরোল কয়ামুক্তা নুঙ্গায়রক্কী মণিগুম খুন্দুনা মতম্বাক্তগী খক হেন্দোক্তনবা মহৈ-মহৈ লাক্লরকখিনি। অকাউ-পরৈনগনবা মীওইবা খুন্নাইগী নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমগী ইপা-ইপুশিংগী ওইবা পাগী-পারীসু, পুগী-পুরিসু অইবশিংগী খুদোলশিংতনা শোয়দনা তাক্লরক্কনি। মসিনি অইবশিংনা পীরিবা, শিবা খক নাইদনা মালেমসিনা লৈরিমখৈ হিংহৌরগদবা মীওইবা খুন্নাইগী পুন্সি পরমশিংগী খুদোলশিং। খুদোল অসিগী মমল ঙসি-ঙসিমক হিংলিবা মীওইবা খুন্নাই ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা খক লেপথোকপা য়ারোই। অদুগা মমল য়াম্লবা খুন্নাইসিগী অইবশিং, মখোয়গী মফমদা খুন্নাইসিনা মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপীবগী থৌদৌদি লমদমসিদা ইউ উনদবগুম তৌরি। লোয়ননা মখোয়বু খুন্নাইসিদা অৱাংবা থাক্কী ফিদাশিং থাবীদুনা মতিক চাবা ইকায়খুম্নবসু উৎপীবগী হৈনবী ইৱাৎ-ৱাৎপগুম তৌনরি। মতম লৈবা খিবিক্তা খুন্নাইসিনা মখোয়গী লমনশিং তোনশিল্লবনি।

লোইশিল্লকপদা, মণিপুরগী অইবশিং মরু ওইনা নহা ওইরিবা ইনখৎলক্লিবশিং মতম লৈবা খিবিক্তা ইরমদমসিগী মায় ওইরক্কদবা অফবা হীরমশিংদা মায় ওনশিনবীদুনা ইবগী লম্দা হেন্না খুমাঙ চাওশিনহনসি। মীয়াম্না কয়া হায়নরবসু পংহায় হায়নবনি, থোইনা তাশিন্নীংঙাই ওইদে। হায়-শাবনি, খুন্নাই অমনা চাওখৎপদা খুন্নাইদুগী খোরিরোল হুঞ্জেক্তুনা থল্লম্বা খক য়ারোই। খুন্নাইনা চাওখৎলকপা হায়বসিদা মরু ওইনা খুন্নাইদুগী খোরিরোলসু চাওখৎলক্কদবনি। খঙদবশিং মরন্নাই কোন্না খঙজরকখিনি। অহানবা খোঙথাং ওইনা খোরিরোলবু হান্না অমুক্তং চাওখৎহনবা মথৌ তাই। ●

# তূমদ-চাদনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনসি

## (খুন্নাইসি অমুক হন্না মতোমতা লেপহল্লসি)

**– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –**

মীওইবগী মপোকসি ঙরাং ওইখিবদুগা, ঙসি ওইরিবসিগা অমসুং হয়েং ওইগদৌবদুগা শুকমান মান্নদে। ঙরাং, ঙসি অমসুং হয়েং হায়রিবসি পুন্সিগী খোঙচৎনি, মতমনি। মতমবু ফজনা শীজিন্নদ্রবা মীওই অদু পোক্লম্বগী মহয় শুকয়ান য়াল্লোই। অদুনা মতমসি ৱারেম-থৌরেমদা, কান্নদ্রবা ৱারীদা মতম মাঙহনবা য়াদে। ঐখোয় মীওইবদি মান্না-মান্নবা তিন্নবনি, পূনবনি। ৱাখল মান্নদবা, থবক মান্নদবা কৈদৌনুংদা পূনবা য়ারোই। মীওইবগী মপোকসি - মীনম্বগী পুন্সি হিংলোইদবনি। মতাং অসিদা ৱারী মচা অমতা য়াম্না শম্না ইজগে, খন্থমিন্নসি।

কৈ অমগা গধা অমগা মরৈ য়েৎনৈ। গধানা হায়, Grass is Blue । কৈনা হায় - Grass is always Green । নোংশাদা ৱাকৎপা মখোয় অনী চৎলে। গধানা হান্না হায় "Your Majesty, Grass is Blue । অদুবু কৈনদি Grass অসি Green নি হায়রি। মহাক্লা ঐবু য়াম্না শাওহল্লে, অদুগা ঐবু অরানবা তাহল্লে। নোংশানা হায়খি - "নহাক্লা খল্লিবদু চুমই খল্লবদি চুমই, লান্দে। গধানা খুদক্তা হায়খি - "কৈবু চৈরাক পীবিয়ু। ঐবু অরানবা তাহনবগী। শোয়দনা কৈবু চৈরাক পীগনি "মহাক নুমিৎ হুমনি ৱা ঙাঙবা য়ারোই" হায়না।



নোংশাগী ৱায়েল বিচারদুদা হরাওমন্দুনা গধাদু ফন-ফন চোংলগা, লাওর-লাওরগা চেনখ্রে - "Greas is Blue, Grass is Blue" ঐনা মায় পাক্লে, কৈদি মায়থীহৌরে। অপংবনা অরানবদা হরাওজৈ।

গধানা চৎখ্রগা কৈনা নোংশাদা হংখি। Your Majesty, ঐখোয় পূম্নমক্লা খঙই গ্রাস ইজ গ্রীন অদুগা গধানা গ্রাস ইজ ব্লু হায়বদুনা চুমই হায়বিরিবদু করিগীনো? নোংশানা মখা তানা হায়খি - নহাক্কুম্বা নশা কনবা, লৌশিং লৈবা নহাক্লা ঐগী ইনাক্তা লাকপগী দন্দিনি নহাক্লা ফংলিবসি। মী পূম্নমক্লা খঙই গ্রাস ইজ গ্রীন। গধানা গ্রাস ইজ ব্লু হায়রগা ঐগী ইনাক্তা লাকপগী দন্দিনি নহাক্লা ফংলিবসি। গধাগুম্বা জীবগা মরৈ য়েৎনরগা নহাক্কী মতম অমসুং ঈজৎ মাঙদবরা? মশানা খনবা ৱাখল অমসুং থবক্তবু চুমই খঞ্জবা, খুন্নাইগী চৎন-কাঙলোনবু ঙাক্তবা মীগা, গধাগুম্বা জীবগা তিন্নগনু। অপংবা মীদি মখোল হৌবনি। অশিংবনা তূমিন্না চাওখৎনবা হোৎনজবনি।

তেনখ্রবা ৱারী অসিগী Moral lesson দি ঙসি মণিপুর খুন্নাইদা ময়েক লানা উরি। লমদম অসিদা গধা হায়বা জীবদু লৈতে। অদুবু গধাগুম্বা মীশিংনা খুন্নাইসিগী ময়ায় তাংবলদা ফম্লি। ৱাফমসি লানদে।

মণিপুর খুন্নাইদা চাদা ৯০দি মীনম্বা থবক তৌই। মীনম্বা ৱা ঙাঙই। চহী ২০০০ হেনখ্রবা লৈবাক অসিনা মীমাং থানা চাওখৎপা ঙমদ্রিবসি পুকচেল শেংদবদগীনি। নীরগা পুন্সি হিংলিবসি, কনা-কনানো ইকায়বা খঙলিবসি? ভিক্ষা নিরিবা ঐখোয়দবু কনানা ইকায়খুম্নগনি? ঐখোয়গী পুন্সি মহিংসি চুল্লিবরা? ৱাখল খন্দ্রবা খুন্নাইনি।

লমদম অসিদা শোয়রিবসি হীরম খুদিংদনি। হীরম অমত্তদা লৌখৎনীংঙাই লৈতে। চহী ২০০০ হেন্না লমচৎ-শাজৎ লুদনা হিংলক্লবা খুন্নাই অসিনা চহী ২০দা খংহোং হোংবদি ওইথোক্লোই। ফত্তবগী মহিকসি পোক্লকপদা লূ-তোংদা য়াওরকখ্রবনি। মোবাইল ফোন অসি মীনম্নবগী খূৎলায় নত্তে। অফবা থবকশিংদা শীজিন্নবীয়ু। ইশা ইশাগী ইরালশিংদু নঙ্গলদা লোৎলগা থম্বদু ইশানদি উদ্রে, অতোপ্পনদি ইরায় লায়না উরিবনি।

য়াম্না কুপনা থিজিল্লুবদা লৈবাক অসিগী অঙম অথৌশিংগী তাজনীংঙাই, শিংথানীংঙাই ওইবা থবকসি লৈরমদে। তু চুংবা থৌদোক-ৱাথোক্লা পীক থল্লমই। মকোক শোয়রবা মীনা, মখোঙনা খোঙকাপ্পু করম্না থাংগনি? খুদম অসিগী চপ চাবা থবকশিংনি মীয়াম্না মথং-মথং ঙসি ফাওবদা উরিবসি।

শিগদৌবা পুন্সিনি, মফম-মরাং খঙদনা পুন্সি হিংগে খল্লগা তৌনীংবা তৌবা য়াবা নত্তে। খুন্নাইগী চৎনবী অমদি লেঙদনা লৈরি। মীয়ামগী চৎন-কাঙলোনবু থুগাইরগা, ঐ মঙাইরে হায়না হিংলবদি মীয়াম্না তুকৎচবা, মতুংদা তিন শিৎপা তাবনি। অসিগুম্বা পুন্সি মরেলদি চারোল-শুরোল কয়া ফাওবা কোকপা য়ারোই। মমা-মপাবু উশিৎ-থৌওইদবা, অহলশিংগী অয়াবা য়াওদনা পাঙথোকপা থবক অমত্তা মহয় য়াল্লোই। চিনগা-খূৎকা মান্নদবা মীবু করম্বা মীওইনো? ৱাহৈ অনীতনি তুংগী মীরোলনা শোন্নরিবসি 'শিখিবদু ফরেদা' নৎত্রগা 'লৈখিদবদু নুংঙাইতেদা'। অপাম্বদুনি থল্লল্লিবসি।

মসিদগী থৈদোক্লগা ইশাদা থোকখিবা থৌদোক অমত্তা পাউদমজগে। রাজ্য সৈনিক বোর্দতা সেক্রেটরি ওইরিঙৈ কুমজা ১৯৯৯গী দিসেম্বর ২৯দা রাজ ভবনদগী দিন্নরগী ইনভিটেসন অমা লাকখি। করম্বা মখলগী দিন্নর পার্টিনো হায়বদু খঙখিদে। য়ূম থংনবা ইনাও অমনা রাজ ভবন ফাওবা থিল্লম্লে। অদুগা মহাক হলহনখ্রে। পার্টিদু লোইরগা ঐ অদুম লাক্লগে হায়খি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরম্বা Shri George Fernandes না চীফ গেষ্ট ওইরমখি। পার্টি অদু চৎত্রিঙৈদা ঐনা ফাইল য়াম্না পাবা অমদা আর এস বিগী মীটিংগী Minutes অদু পুরগা চৎখি।

দিন্নর চাবা হৌরমদাই অদুৱাইদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা "Where is Colonel Sarat?" ৱাহৈসি অনীরক-অহুম্লক হায়রগা ঐবু থিবা চঙলকখি। মহাক্লা - So, do you have any problem? ঐনা খুমখি- "No. Sir, No Sir" You must be having some problem and tell me হায়রগা হন্না হন্না হায়বদগী ঐনা ফাইল অদুদা য়াওরিবা পোইন্ট তরেৎ উৎখি। OK, We will discuss after dinner.

দিফেন্স মিনিষ্টরনা ৱারী শাদ্রিঙৈদা ঐহাক্লা পার্টি অদুদা য়াওরিবা হায় রেঙ্কিং ওফিসরশিং (লেফটিনেন্ট জেনরেল) কয়াদা আর এস বি ওফিস অসিগী অৱাৎপশিংদু মতেং পাংবীনবা হায়জখি। মখোয় খরগী পাউখুমদি "We have got our enough problem. You sort out your own problems হায়বা ঙম্বা সিনিয়র ওফিসরশিংনি। আর্মিসু অদুম করপ্ট ওইরিবা ইন্দিয়ানি।

দিফেন্স মিনিষ্টর, গভর্ণর (শ্রী ভেদ প্রকাশ মারৱা) অমসুং ঐখোয় অহুম দিন্নরগী মতুংদা ৱারী শারে। ঐগী ফাইল অদু লৌরগা পোইন্ট তরেৎ অদু থবক ওইনা শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়বিরমখি। অদুবু লাইবক থীবা হায়বদুনি, হায়খিবা চিনদু থবক ওইনা পাঙথোকখিদে। অসিনি ইন্দিয়াগী ফম্নাইবশিংগী মীনম্বসি।

ন্যু দেল্লীদা চহী খুদিংগী মীটিংশিং চৎলগা য়াওরুই। য়াম্না ফজনা মীটিংশিং পাঙথোকখি। চাবা থকপসু ফজনা শিল্লি। অদুগা থবক ওইনদি জিরোনি। মতম য়াম্না মাঙখি। গভর্ণমেন্টকী শেলসু মাঙহনখি মীটিংশিংনা, এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিংনা চাওখৎপা পুরকপা ঙল্লম্লবদি ইন্দিয়ানা, মণিপুরনা, জপান, সিঙ্গাপোরনচিংবা লৈবাকশিংদগী মমাঙ থারম্লগনি। প্রোগ্রামশিংসি মীৎকী কুম্মৈ, মেজিক মখল অমনি খল্লুবদা মম্মি লমদম অসিগী চৎন-কাঙলোন ময়ামসি।

ঙসি মালেমগী মফম খরদা চৎনরিবা ইলেক্সনগী সিষ্টম অসি অমুক্তা খন্থদুনা য়েংবীয়ু। শেলনা য়ূম্ফম ওইরগা পোলিটিসিয়নশিংনি হায়দুনা ৱাখল মপূং ফাদ্রিবা, পুন্সিগী পাড়া ফাদ্রিবা, এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংদ্রিবা মীওই কয়াবু লৈঙাকপনি হায়দুনা মীয়াম্না খল্লি। মীয়াম্না খল্লিবসি খ্বাইদগী মতিক চাবদুরা? নৎত্রগা খ্বাইদগী হেন্না শেল য়েনবদুরা? শেল য়াম্না য়েল্লগা খল্লিবমখৈ লমদম অসি চাওখৎতনা অদুম ওইরগা লৈখিবা তাবনি। করম্বা মতমদা মীয়াম্না শেল লৌদনা মতিক চাবা মীওইশিং পুথোকপা ঙম্লকখিগনি? ইজরিবসিগী মতমদদি উবা ফংলরোই। ঐখোয় পূম্নমক ঈজৎ লৈনা হিংবা মীওইশিং করিগী ওইদ্রিবনো? শেল করিগী লৌরিবনো? ●